# লোকদাউন থম্বগী মহুত্তা টাইৱানগী খোঙথাংশিং অসি লৌখৎপীয়ু

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

অহানবদা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবু ইন্দিয়া পূম্বদা শক তাক্লিবা অমদি মালেমদা শক তাক্লিবা টোকিও ওলিম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাইনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তুনা মায় পাক্লা ঙাম্থোইদুনা, শোয়দ-ঙামদনা ইরমদম কংলৈপাক্তা হল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট অমনি হায়দুনসু অতোপ্পা ঐখোয়গা শক-চু মান্নজবা লৈবাক্কী মীওইশিংদগী, লৈঙাক্তুগী মীয়াম, লৈঙাক্কী অফবা, চৎনবী অসিবু মতৌ তমশিনবা হায়বসিবু য়াম্নমক কায়রগদ্রা হায়না হংনীংলক্লে ঙসি ইরমদম লৈঙাক্লা লোকদাউন তৌবগী মহয় ইফং ফংলক্তবা অসিদা। লোকদাউন তৌরগা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী অমদি শিবগী চাং, মশীং হন্থরক্কনি খন্দুনা তৌরক্লিবা লোকদাউনসি কয়ামদি কুইরে। অদুবু হন্থরকপগী মহুত্তা হেন্নদুম হেনগৎলকখি লোকদাউন তৌবা হৌখিবদগী। শিবগী মশীংসু হন্থরকপা লৈতে নোংমদা ১৫/১৬কী চাংদা শিরকপনা। লোকদাউন কুইনা তৌদুনা শেন্দাল লম্বীসু ককথৎপীবা অদুগা লৈঙাক্লসু মীয়ামদা পীগনি ৱাশকখিবা পোৎলমশিংসু মীদিয়াদা খক্তা ওইনা পীবগুম থোকপনা ৱাবনা খম থেংলে মীচম মীয়ামদি, মরু ওইনা লৈজ দবা, নোংমগী শু নোমজদুনা হিংজবা লৈত-লায়র ইমুং কয়াদি।

ফীভমসিদা লৈঙাক্লা মখা তানা লোকদাউন চথবা য়ারি হায়না সী এমনা ফোঙদোকখিবগী পাউসু তাখি। মতাংসিদা টাইৱান্দা লৈজদুনা টাইৱান্দা লৌখৎলিবা কাঙলোনশিং অসি য়েংজরগা ঐহাক্কী ৱাখলদদি লোকদাউনসে মখা অমুক তানা থমহন্নীংদে। মখা তানা লোকদাউন চথরবসু মদুদগী ফংলকপা কান্নবা অদুগা লোকদাউন তৌবগী মাঙশিল্লকপা, অৱাবা তারকপা অদুগা চাংদম্নবদা কান্নবগী শরুক অদুদগী মাঙজবগী অমদি অৱাবগী শরুক্কা চাং য়াম্না হেনগনি। খম থেংনা ৱারবা মীয়াম্বু মখা তানা লোকদাউন তৌদুনা অৱাবদা লংথবদি লৈঙাক্কী পোলিসি মীয়াম্না য়ানীংলোই, লোয়ননা মীচম মীয়ামগী অৱাববু উবা ঙমদবা লৈঙাক অমা হায়বদো ওইনা থোক্কনি হায়না থমজগে।

কোভিদ টেষ্ট নুংতিগী তৌবনিনা পোজিটিভ ওইবগী মশীংবুদি অদুম হেনগৎলক্কনি হায়বসি য়ারসি। অদুবু লুরিবদি পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলকপদা নত্তনা শিবগী মশীংসু হান্নগুম শিরিবা অসিনি। লোকদাউন তৌবগী অশেংবা খোঙথাংদি কোভিদ চ্যেন অসিবু ককথৎতুনা পোজিটিভ ওইবগী অমদি শিবগী চাং অনীমক হন্থহনবা অদুনি। চ্যেন অসি ককথৎপা ঙমদ্রবদি লোকদাউন ফনা তৌসনু মীয়ামদা অৱাবা হেন্না পীবা নত্তনা কান্নবা পুরকপা ঙল্লোই।

টাইৱান্দা লোকদাউন নোংমতসু তৌদনা মতৌ করম্না কোভিদ-১৯গী অহানবা অমদি অনীশুবা ৱেভ অনীমকসি থা অনীমুক্কী মনুংদা লাকশিন্দুনা ঙসিদি মীওই অমা ফাওবা শিহন্দবীদা অদুগা শন্দোকপগী মশীংসু শুপ্নগী ১১দা হন্থরক্লিবা হায়বদো শল্লপ্পা মথং মথং থমজরক্কে। খোঙথাং মরি অসি থম্বীদুনা ইরমদমগী কোভিদ লাইচৎকী ফীভম অসি থেংনবনা মীয়াম্নসু ৱারৌরোই অদুগা লৈঙাক্কী কোক শাবসু ফহনবা ঙমগনি। তৌবতবু লৈঙাক্লা শেংনা মথৌ তৌবদি মথৌ তাগনি।

টাইৱান্দা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবা কোভিদ প্রিভেন্সন মিজরস হায়না তাঙ্কক (লেভেল) মরি থোক্লা খাইদোকই। অহানবা তাঙ্কক্তি মপাল লমদগী পুশিল্লকপা লাইচৎ অদু নক্লবা মীওইশিংদা শন্দোকপা হৌরকপা অসিনি। অসিগুম্বা অহানবা তাঙ্কক্কী ফীভম অসিদা মীয়াম্না পব্লিক ত্রান্সপোর্ট অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা মতম চূপ্পাদা মাস্ক উপকদবনি, বোদি টেম্পরেচর য়েংগদবনি, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা শীজিন্নগদবনি, লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং থমগদবনি। মী য়াম্না তিনগদবা হরাও কুম্মৈ পাঙথোকপা থিংবা অসিনি। অদুগা করিগুম্বা বোদি চ্যেক তৌদুনা চঙবা মফমদা ইশা ইশাগী কন্টেক্ট ফোন নম্বর পীগদবনি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তনা, মপান্দগী পুশিল্লকপা অদুগী মথক্তা লৈবাক অদুগী মনুংদগী হৌরকফম খঙদনা লাইচৎ অসি শন্দোকপগী ফীভমসিনি। লেভেল টু য়ৌরকপদদি মাস্ক উপ্পুবদি ফাইন য়াম্না চাউনা লৌদুনা চৈরাক পীবনি। লুপা লিশীং ১৫দগীনা ৩০ ফাওবা লৌগনি মাস্ক উপ্তুবা থোরক্লবদি মীয়ামগী ওইবা (পব্লিক) মফমশিংদা। তাঙ্কক অসিদা মীওই ৫০০দগী হেন্না তিনবা য়ারোই মপান্দা (আউটদোর) ওইরগনা অদুগা মনুংদা (ইন্দোর) ওইরগনা মীওই ১০০দগী হেন্না তিনবা য়ারোই। মথৌ তারবদি ইন্টরটেনমেন্ট ওইরিবা মফমশিং, হায়বদি মুভি থিএটর, কে টি ভি, ফন প্লেসনচিংবা মফমশিংসু মথৌ তারবদি থোঙ লোনগনি।

অহুমশুবদা তাঙ্কক অসিনা লৈকায়গী থাক্তা (কম্যুনিতি) নোংমদা মীওই ১০দগী হেন্না চবুন-চবুন লাইচৎ অসি শন্দোরকপা অসিনি। ফীভম অসি য়ৌরক্লবদি, মপালদা মীওই ১০দগী হেন্না তিনবা য়ারোই অদুগা মনুংদনা মীওই ৫দগী হেন্না তিনবা য়ারোই। মসিগী চৎন-কাঙলোন অসি থুগাইদুনা চৎলবদি য়াম্না চাউবা শেনফম লৌদুনা চৈরাক পীগনি। অহুমশুবা তাঙ্ককসি য়ৌশিল্লকপদদি চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈশিং য়োনফম, ক্লিনিক, হোস্পিটাল, আইনগী অমদি পুলিস, আর্মিনচিংবগী থবকশিং নত্তনা অতৈদি থোঙ লোনগনি। গভর্ণমেন্টকী হাংদা য়াদ্রবা ওফিসশিং হাংবদা মফমদুদা থবক তৌরিবা মীপূম খুদিংমক মাস্ক উপকদবনি, বোদি টেম্পরেচর য়েংদুনা চঙহনগদবনি, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগনি, মীয়াম্না শোক্লা পন্নরিবা পোৎলমশিং নিংথিনা সেনিটাইজ তৌগনি। অদুগা লাইচৎ অসিবু শন্দোক্লিবা মফম অদু আইসোলেট ওইনা থমদুনা সেনিটাইজ তৌথোক্কনি, অতোপ্পদগী মীওইশিং চঙবা য়াহল্লোই।

অরোইবা মরিশুবা তাঙ্কক (লেভেল ৪) অসিদনা নোংমদা মীওই ১০০গী মথক্তা লাইচৎ অসি চয়োল অনী ফানা, হেন্না শন্দোরক্লবা, মরু ওইনা মীওই তঙ্খাই অমগুম্বনা হৌরকফম খঙদনা শন্দোরকপা মতমদুনি। মতাংসিদা মথক্তা থমখিবা চৎন কাঙলোনশিং ইন্দুনা চৎপগী মথক্তা য়ূম য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈগদবনি য়ারিবমখে। মতাংসিদা লাইচৎ অসি হৌরকফম খঙদনা শন্দোরকপনা, য়ূম য়ূমদা লৈরবসু মাস্ক উপ্পা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বগী মথৌ তাই। হায়বদি য়ারিবমখৈ ইমুংগী মী ফাওবা লাপ্পা লৈনবা হায়বনি। মসি মরু ওইনা তোঙান্না চঙন-খোৎনবা য়াদনা থমখ্রবা য়ূম, নৎত্রগা লৈকায় অদুগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগীনি। অসিগুম্বা লৈকায় অসিদদি কৈথেল, দুকান, ক্লিনিক খুদিংমক থোঙ লোনগনি। মসিসু সেমী-লোকদাউন হায়না খঙনৈ। ফুল লোকদাউনদি তৌদে টাইৱান্দা। লৈকায় অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অদুম থোকপা য়াই, হোম নৎত্রগা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন তৌরিবা কাঙলূপ্তু নত্তনা। অদুবু লাইচৎ অসি হৌরকফম নত্তবা লৈকায়শিংদদি লেভেল ৪গী অথিংবশিংসি লৈরোই, লোইনা চখোক চৎশিন তৌদুনা, পোৎ লৈফম, দুকান অমদি ক্লিনিকনচিংবা লোইনা হাংবা য়াই। লোকদাউন তৌরিবা মফমশিং অসিদসু চৈ থাংদুনা শা-ষণগুম ফু চৈবা অদুমদি তৌদে টাইৱান্দদি। তৌবগীদি মফমদুগী মীওইশিংনসু য়ূমদগী মশা মশানা খঙনা থোকচদে অদুগা মরী লৈননা কোভিদ ক্যেরগী ওইনা থবক তৌবা মীওইশিংনা মখোয়না হিংবদা মথৌ তারিবা পোৎলম খুদিংমক মখোয়দা য়ৌহনবীবনা।

মথক্তা পঙ্গরিবা ফীভম মরি অসি লৈকায় লৈকায়, প্রোভিন্স, ষ্টেট অদুগী ফীভম য়েংদুনা লেভেল ১দগী লেভেল ৪ ফাওবসি শীজিন্নদুনা অহানবা অমদি অনীশুবা কোভিদ লাইচৎ অসি লাকশিনবনি টাইৱান্দা। মরম অসিননি ঐহাক্লা ইরমদমদা মখা তানা লোকদাউন অমুক তৌবীরনু, লৈঙাক্কী পোলিসি হোংদোকপীয়ু হায়জরিবসি। ইরমদমদসু ইমুং, লৈকায় নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্টতুগী ফীভম য়েংদুনা লেভেল ১দগী লেভেল ৪ ফাওবসিদা থল্লিবা খোঙথাংশিং অসি (মিজরস) শীজিন্নরবদি মীচম মীয়ামদসু খোইশাওনবা লৈররোই অদুগা লৈঙাকসু কোক শাবা হন্থরনি। মণিপুর পূম্বা লোকদাউন তৌদুনা ঙসি ফাওবা লাকপনা অনাবা ইমুং/লৈকায়সু অদুগা নাদবা ইমুংসু/লৈকায়সু অনীমক পূন্না পূন্না ৱাহল্লে। লোকদাউন মখা তানা চথবগী মহুত্তা টাউৱান্দা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎপীয়ু। মসিনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি অদুগা লাইচৎসু থিংবা ঙমগনি। অদুবু মীচমসু লৈঙাকসু থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌবদি মথৌ তাই। য়াইফমিন্নরসি। ●

# জুন থানা লাকপদা-৫

- ডা. এম নরা -

কুমজা ২০০৭কী জুন ১০দগী ১৩ ফাওবা ক্যুবাগী কোনুং হৱানাদা মালেমগী ওইবা ৫শুবা ৱর্ল্ড কনফরেন্স ওন কলচরেল দিভেলপমেন্ট পাঙথোকখি। মসি য়ুনেসকোনা শিনবা অদুগা ক্যুবানা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক ১৪৮না শরুক য়াখিবা অচৌবা মীফম অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা সাহিত্য একাদেমিনা খনবা দেলিগেট মঙা শরুক য়াখি অদুগা ঐহাক্লা ক্যুবান ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্রেন্দন্সিপ ৱিথ দি পিপল (আই সী এ পি) হায়রিবা লূপ অসিনা চেবাউ পীরকপদগী শরুক য়াজরুই। খুন্নাইগী চাওখৎ মায়োন অমদি মীওইবনা লোল ধর্ম্ম অমদি কাঙলূপকী খেন্নবা কয়া লৈজরবসু পূন্না নুংশি চান্ননা অমসুং শান্তি লৈনা হিংমিন্নবা হায়বসিদা মপূং ওইবা মিৎয়েং থমদুনা খন্ন-নৈনখিবা মীফম অমনি। মহৌশাগী লৈজরক্লবা শক্লোন কায়দনবা হোৎনবা অমদি খ্বাইদগী পিকপা মীওই ফুরুপকী লৈজরক্লবা নাৎকী চৎন লোনচৎশিং কায়দনা প্রিজার্ভ তৌনবসু ৱারেপ্লখি। লানগী থৌরাং, কিহনবা অমদি মিলিটরি দিফেন্স বডজেট হন্থহন্নবসু কন্না নৈনখি। তাং ১৩গী লঞ্চ মতুংদদি টেক্নিকেল সেসন খরদং লৈবনা ঐখোয়দি ফ্রী ওইরদুনা ক্যুবাদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসেদরনা ইন্দিয়াদগী লাকপা ঐখোয় পূম্নমক ইনভাইট তৌদুনা রিসেপসনগী প্রোগ্রাম অমা শিনবীখি। রিসেপসন্দুদা হান্না ইন্দিয়াদা লৈরম্লবা দেপ্যুটি চীফ ওফ মিসন ভিক্তর পেনা লোয়ননা অনৌবা ইন্দিয়াদা ক্যুবাগী এম্বেসেদর ওইনা এপোইন্ট তৌরবা রামিরেজ রামোজসু পার্টি অসিদা চেবাউ ফংদুনা লাকখি। ঐখোয় লোয়না শক তাক্লরবা মতুংদা শৈরেং থিবনচিংবা নুংঙাইরবা প্রোগ্রাম খরসু পাঙথোকখি।

মথং অয়ূক্কী পুং ৭তগী বস তোংদুনা ঐহাক ইচানুপীনা লৈবা সিয়াগো সহরদা চৎলি। কিলোমিটর ৫২০ থাপনৈ হৱানা সহরগা অদুবু নুংথিল পুং ২দা চপ চানা সিয়াগো য়ৌরে। ইচানুপী, প্রোতোকোলগী ওফিসর অমসুং ক্যুবান ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্রেন্দসিপ ৱিথ দি পিপলগী মীহুৎ য়াওনা ঐবু ওক্লমই। নুমিৎ অদু জুন ১৪ ওইবনিনা মালেম শিন্থুংনা খঙনরবা রেভল্যুস্নরি চে-গুয়েভরাগী মপোক নুমিৎ থৌরম তৌনরমই। ইচানুপীনা মেদিকেল কোর্স তম্লিবা ইন্সটিট্যুট অদুদগী চেবাউ অমা নুমিৎতুগী স্পেসল ইনভাইটি ওইনা চে-গুয়েভরাগী থৌরম য়াওননবা তৌরমই। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী হৌগদবনি। ঐগী লৈফম প্রোটোকোল হাওস অদুগা ফঙ্কসন তৌগদৌরিবা কোলেজগী হোল অদুগা লাপ্নদে, শুপ্নগী মিনট মঙা/তরুকখক্তং চঙগনি।

পুং ৬ তারমদাইদা ঐবু লৌবা লাক্তুনা কোলেজগী হোলদা চৎলে। ঐহাকপু লোয়নবীরিবশিং অদু অমনা প্রোটোকোল ওফিসকী অমা অদুগা কোলেজ ষ্টাফকী মী অমগনি। কোলেজগী গেট হেক চঙলকপদা সিক্যুরিটি ওফিসর অমনা ঐঙোন্দা সেলুট তৌরগা মথবাক্তা মখূৎনা পোপ পোপ থারদুনা মহাকসি ইচানুপীগী মপানি হায়রকখি । "I am Ellora's father". মিকুপসিদা থৌদোক অমা নীংশিংলকখি। কুমজা ২০০৪দা ইচানুপী ইল্লোরা মফমসিদা মেদিকেল তম্নবগী সেলেক্সন ফংদুনা ঐহাক মাবু থিনবা লাকখি। মিং চনবা অমদি মহাক্কী লৈফম হোষ্টেলনচিংবা শিনবা লোইরবা মতুংদা ক্যুবান ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্রেন্দসিপ ৱিথ দি পিপল (আই সী এ পি) গী কম্মিটিনা কায়নরমদাই দিন্নর (চাক্লেন) অমা শিন্দুনা ঐখোয় মী কুনলোম চামিন্নখি। কম্মিটিগী মেম্বরশিং মাগী মাগী নুপীশিং য়াওনা লাক্লখিবনি। নুপীশিংগী মরক্তগী ইল্লোরাগী মমাদি করি তৌরি হংলকখি। ইল্লোরাগী মমাদি লৈখিদ্রে খুল্লুবদা নুপীশিংদু হৌগৎলক্তুনা মখূৎ থাঙ্গৎলগা ইল্লোরাগী মমা লৈতে হায়গনু - ঐখোয় পূম্নমক ইল্লোরাগী মমা ঙাক্তনি। "We are mothers of Ellora" হায়দুনা চোঙথোক্লকখি। মসিদা য়াওখিবা নুপী অমগী মপুরোয়বনি সিক্যুরিটি ওফিসর অদু। মখোয়না ইল্লোরাবু মচামক্লি খন্না য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবীরি হায়বদু খঙহন্নীংদুনা "ঐ ইল্লোরাগী মপানি" হায়না চাওথোক্লা অমদি হায়নীংনা হায়রকপা ঙম্বনি হায়না লৌজে। মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা মহৈরোয়শিং অমসুং কোলেজদুগী ওজাশিংগী ওইবা থৌরম অমনি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইখিবা অমদি ইচানুপী ইল্লোরানা লৈমা জগোয় শাদুনা তিল্লিবা ওদিএন্সকী পূক্নিং চিংশিনখিবা অদুনি।

মথংগী নুমিৎতা য়াম্না মরু ওইবা ফ্লোরেনসিয়া হায়বা মফম অমদা ঐবু পুদুনা য়েংহল্লি। মফম অসি ইহান হান্না রেভল্যুস্নরিশিংনা লিবরেট তৌরবা শেরা মাস্ত্রা চীংজাওগী চীংখোং পরেংনি। জঙ্গল মনুংনি অদুবু লম্বী ফজনা লৈরে হৌজিক্তি। চীংখোং পরেং অদুদা ঈশিং লুনা চেল্লবা তুরেল মচা অমসু লৈ, থেক্লা খোয়না চেল্লিবা তুরেলসিগী খরা পাক্লবা ঈহল, মদু রেভল্যুস্নরিশিংগী ঈরুজফমনি হায়না ঐঙোন্দা তাকখি। খরা চৎলগা ফজরবা থেল অমা লৈরমই; চহী খুদিংগী কালেন্দা থা অমা চূপ্পা অঙাংশিংগী সম্মর কেম্প পাঙথোক্তুনা 'য়ং পাইওনিয়রস' শেমগৎলি হায়। মফমসি য়েংলবা মতুংদা ম্যুনিসিপালগী ওফিসতা ঐবু রিসেপসন তৌবীদুনা কাউন্সিল মেম্বরশিংগা পূন্না অয়ূক্কী চাকলেন চামিন্নখি। ঙাইহাক পোত্থারবা মতুংদা অমুক সিয়াগো সহরদা নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা হল্লকখি।

নুমিৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী প্রোগ্রাম অমা আই সী এ পিনা শিনবীরমই। মদুদি সিয়াগো সহর অসিমক্তদা চাইনিজ কোলোনি অমদা ঐহাক অমসুং ইচানুপী ইল্লোরাবু চেবাউ পীরক্তুনা নুমিদাংগী চাকলেন অমা চাবা চৎলি। পূন্না চাইনিজ ২৬৪ লৈবা কোলোনিনি। শক খরা মান্নবদুদা উনীংদুনা তৌবজাৎনি খল্লুই। চাক মমাঙদা শক তাক্লরে অদুগা মখোয় নহা অহল পূন্না মীওই ১৪না যোগ ফজনা উৎলবা মতুংদা কম্যুনিতিদুগী লিদরশিংগা মফম চানা ফমিন্নদুনা নুমিদাংগী দিন্নর অদু চামিন্নরকখি। পুং খরদুদি ঐখোয় চাইনাদা লৈরুবদৌনা খল্লি। নুমিদাং পুং ১০ মুক তারকপদা ঐখোয় খোঙনা অদুম ঐখোয়গী লৈফম তান্না লাকখি।

মথংগী নুমিৎতুসু য়াম্না নুংঙাইরবা নুমিৎ অমা ওইখি। স্বিদেন য়ুনিভর্সিটিগী রিছর্সর নিপাল মখোয়গী থিজিনবগী থবক্তা মরী লৈননা ক্যুবাদা লাক্তুনা ঐনা লৈরিবা আই সী এ পিগী গেষ্ট হাওসতা লৈমিন্নরমই। মখোয়গা পুল্লগা কায়ো কোকো কৌবা ঈথৎ অমা য়েংবা চৎলি। ঈথৎসি টুরিষ্ট স্পোট অমনি, সিয়াগো সহরদগী কিলোমিটর ৭০ মুক লাপ্পী। আই সী এ পিগী রিজনেল দাইরেক্টরনা লমজিংদুনা মখোয় স্বিদিশ নিপালগা ঐহাক অমসুং ইল্লোরাগা পূন্না মীওই ১২ মিনি বস অমদা কোয়বা চৎলি। কায়ো কোকো য়ৌগদবা কিলোমিটর ১৮ ৱাৎলিঙৈদো ঐখোয়বু লমজিংলিবা রিজনেল দাইরেক্টরনা গাড়ীদু খাল্লগা ঐখোয় পূন্না ঙাইহাক্তং কুমথরগা ব্রিফিং তৌনীংই হায়রে। ঐখোয় লোয়না কুমথদুনা লম্মিৎ তুম্মিৎশিংদু য়েংখি। লম্বী অসি ফজনা পাক চাওবতা নত্তনা য়াম্না নাল্লি অমসুং চুমদ্রিং চুমই। নাক য়েৎ অনীমক্তা সমুদ্রগী ঈশিং ঈপাক লোয়ননা ঈশিংদা হৌবা পান্বীশিংনা ঈশং শংহল্লি। সমুদ্রগী মরাং কায়না শিৎপা নুংশিৎনা হকচাংদা য়ৈবদা তেকখৎলি। আই সী এ পিগী রিজনেল দাইরেক্টরনা ৱারী অমা লিনীংদুনা কুমথবা ওইরমই। কায়ো কোকো হায়রিবা ঈথৎ অসি সমুদ্র ময়ায়দা লৈবা, মেন লেন্দগা শম্নদবা ফজরবা মহৌশাগী খুদোল অমনি। মতৌ করম্না কিলোমিটর ১৮গী লম্বী সমুদ্র ময়ায়দা শেমখিবা হায়বসি খঙহন্নীংদুনা গাড়ী খাম্বনি, ৱারী লিনবা। কিলোমিটর ১৮গী লম্বী অমত্তং সমুদ্র ময়ায়সিদা শেম্বা ঙল্লবদি ওন্থোক্লা নুংঙাইগনি অমদি টুরিষ্ট য়াম্না লাক্কনি, ইনকম য়াম্না লাকহনবা য়াগনি হায়না ফাওনরকপদগী ফিদেল কাষ্ট্রোদা প্রোপোজেল তৌনরুরে। ফিদেলনা মশামক চৎতুনা মফমসি য়েংখ্রবা মতুংদা মীয়াম য়াওনা লম্বীসি শেল্লসি হায়বগী অপীলগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌখি হায়। ঙসিদি অঙকপা ফংনা ফজরবা কায়ো কোকো টুরিষ্টশিংগী পন্থুংফম ওইরে।

কায়ো কোকোগী মহৌশাগী ফজরবা শক্তম লেংদনা থমই, জঙ্গলগুম্না অদুমক লৈ, পাম পান্বীশিং মরাং কায়না হৌরি, শুপ্নতগী লম্বী ফজনা শেম্বা, টুরিষ্টশিংগী লৈফম চাফম অমসুং সী বিচশিংদু ফজনা মেন্টেন তৌবতনি। লমলক্কী শা-উচেকশিং মরু ওইনা লময়েন, লমহুই অমসুং শজি মরাং কায়না লৈবা উই। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম ফাওবদি কায়ো কোকোসি য়াম্না চিল্লি। মরমদি য়ুরোপ অমসুং কানাদাগী টুরিষ্টশিং এরোপ্লেন রিজার্ভ তৌদুনা লাক্লে, মাঙজৌননা বুক্কিং তৌদুনা লৈনৈ হায়। স্বিদেন্দগী লাকপা মখোয় নিপালদুদি সমুদ্রদা ঈরোইদুনা শান্নবা স্বিমিং সুতনচিংবা লোইনা য়াওরকপনা মফি হোংদোক্লগা সমুদ্রদা ঈরোইদুনা শান্নবা হৌ-খ্র। ঐহাক, ইচানুপী, রিজনেল দাইরেক্টর অমসুং ইন্টরপ্রিটর ঐখোয় মরিদি খোঙনা চৎতুনা কায়ো কোকোগী নেচরেল বিয়ুটিশিং নেনা তানা য়েংলুই। টুরিষ্টশিংবু ইন্টরটেন তৌনবা শাগৎতুনা লৈরিবা ওপন এয়র থিএটর অদু হেক উরুবদা ঐখোয়গী শুমাং লীলা, লিদিসিগী গুলাপ শান্নহন্নীংই। ঈরোইবা চৎখিবা স্বিদেনগী মখোয় নিপালদু ঈরু-মায়থবা লোইরদুনা চামিন্নরবা মতুংদা সিয়োগো সহরদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা অমুক হনমিন্নরকখি।

মথংগী নুমিৎতা অয়ূক পুং ১০ তাবদা ঐহাক বসতা তোংদুনা হৱানাগীদমক খোঙশাল্লকখি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তাবদা হৱানাদা থুংখি অমসুং কমরেদ রোবর্টোনা ঐবু লৌবা লাক্তুনা প্রোটোকোল হাওসতা থিনবীরমখি। নোংঙাল্লে অয়ূক্কী ব্রেক ফাষ্ট চারবা মতুংদা প্রোটোকোল ওফিসর লাক্তুনা ঐবু উনরখি। নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৮ তাবদা ঐগী ফ্লাইট, এরোফ্লোট ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্স হৱানা থাদোক্কনি অমসুং ভাইয়া মোস্কো ন্যু দেল্লীদা থুংগদবনি। করি করি অৱাৎ অপা লৈবগে হংবীরমই লোয়ননা অয়ূকসিদা মতম খরা ফংই চৎনীংবা য়েংনীংবা লৈরিব্রা, নুংথিল পুং ৪দদি এয়রপোর্টতা চৎলগদবনি হায়না নীংশিংবীরকখি। নেসনল বোটানিকেল গার্দেন কয়াম লাপ্পী য়েংবা নংগদ্রা হায়রুবদা নংগনি পুং ৯দগী এন্ত্রি য়াবনি অদুগা নুংথিল পুং ৫দা থোঙ থিংবনি। হৱানা সিটি সেন্টরদগী কিলোমিটর ১৫ খক্তং ওইগনি। কমরেদ রোবার্টোগা চৎলুরো অদুগা লঞ্চ মতম ফাওবদা হল্লকউ। রেদি তৌবীরো হায়রমই। মতমদু অয়ূক্কী পুং ৯.৩০ রোম তারে, ঐহাক ফি শেৎচিল্লে, তাঞ্জা অদুমক্তদা কমরেদ রোবর্টো লাক্তুনা ঐখোয় অনী মাগী গাড়ীদা তোংদুনা বোটানিকেল গার্দেন য়েংবা চৎলে। চপ চানা অয়ূক্কী পুং ১০ তাবদা ঐখোয় অনী গার্দেন মনুংদা চঙদুনা য়েংবা হৌরে। চাওখ্রবা গার্দেন অমনি, লম একর ১৫০০ হেন্না পাক চাওবা কুমজা ১৯৬৭তা শেম্বা হৌগৎপা অদুগা কুমজা ১৯৮৪দা পব্লিক্তা ওপন তৌখিবনি। ক্যুবাগী লেন্দস্কেপ অসিদি পাম পান্বীনা য়াম্না হেন্না মরাং কায়না হৌই। মালেমগী ওইনা পামগী মফমসি ৯৬ লৈ অদুগা মসিগী উহৈ পূম্নমক লোইনা চাবা য়াইসু হায়। মসিগী মনুংদা মখল ৯দি চহী খরসিদা মাঙখ্রে অদুগা ক্যুবাদা হৌজিক হৌজিক পাম মখল ৮৮ হিংদুনা লৈরি। মরম অদুনা লৈবাক অসিবু পাম পান্বী হৌফম হায়নসু খঙনৈ হায়রি।

চাওখ্রবা অমদি পূক্নিং হুনা ফজরবা গার্দেন অসিদা মালেমগী কন্টিনেন্ট পূম্নমক্কী সেক্সন লৈহৌই অদুগা এসিয়াগী সেক্সন মনুংদা অমুক্কা ইন্দিয়াগীদি তোঙান্না দিভিজন অমগা অমুক শেমগৎতুনা য়াম্না মওং তানা থম্বী। ঙসিদি বোতানিকেল গার্দেনসি ক্যুবাগী মীয়ামগীতা নত্তনা মালেমগী লমকোয়বা লাকপা মীপূম খুদিংমক্কী পোত্থাফম ওইরে। মনুংসিদা গাইদ অমসুং ত্রান্সপোর্ট ফংই, ভিজিটরশিংদা য়াম্না নুংঙাইহল্লি। পুং য়েংলুবদা ১২ তাশিল্লম্লে, চৎলসি হায়দুনা থোরকপদা মনুং চঙনীংবা তাঞ্জা ওইদুনা রিসেপসন্দা মথৌ তৌরিবা কাঙবুদুগী অয়াবা লৌরগা ৱাশ রুমদা চঙলুরগা থোরকপদা পর্ফ্যুম ময়াম য়োন্নবগী শেম শাদুনা থম্বদুদা তখেল্লে য়েকপা বোটুল ময়াম লৈবা উরে। তখেল্লেগী পর্ফ্যুমনি খঙলদুনা ঐহাক বোটুল ৬ খক্তং লৈরগা পুরকখি। মতাংসিদা ৱারী অমা অমুক নীংশিংলক্লে। তখেল্লেসি ঐখোয়না য়াম্না রোমান্তিক ফ্লৱর ওইনতা খল্লি, নুজাগী শমজিরৈ, নাপ্পগী নাচোম অসিনচিংবা অদু ক্যুবাগীদমক্তদি 'নেসনল ফ্লৱরনি' মখোয়না 'মারিপোশা' কৌই অদুগা কুরাক মাল্লি হায়দুনা বটরফ্লাই জসমিনসু কৌনৈ।

কুমজা ১৯৫৯গী জন্যুৱারী ১২দা ফিদেল কাষ্ট্রোগী লমজিং মখাদা ক্যুবান রেভল্যুসন মায় পাকখি, মদুদা তখেল্লেবু রেভল্যুসনগী খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নখি। সিফাই, পুলিস অমদি স্পাই কয়ানা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রবদা রেভল্যুস্নরিশিংগী ঈ পাউ ফাওনবসি তখেল্লে নাচোমদা চিঠি লোৎলগা পুদুনা মায় পাকপগী মরম অমা ওইখি। মরম অসিনা রেভল্যুস্নরি গভর্ণমেন্ট লাক্লবা মতমসিদা তখেল্লেবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা "জাতিগী লৈরাং" - "নেসনল ফ্লৱর" হায়না শকখঙখি।

মতম য়ৌরদুনা কমরেদ রোবর্টোনা ঐবু এয়রপোর্টতা থিনবীরে, ঐখোয় অনী বিদায় তৌনরে। হৱানাদগী পুং ১৩ লেপ্তুনা মোস্কো ফাওবা পাইরিঙৈ তাঞ্জাসিদা করিগুম্বা খরা ইনিংদুনা ডাইরি লৌথোকই, ইবা হৌখি :- "ক্যুবাগী তখেল্লে"

- লৈরাং নঙবু নিংথিবী, কুরাক মানবী তথোৎপী,
লৈনম্না পূক্নিং হুরিবী, নুজাগী নাপদা ঙাঞ্জবী;
কুম্বী কালেন নাইদনা লৈশাৎ তমদুনা শাৎচবী
প্রকৃতি ইমাগী খুদোল ও! নঙনা মালেমদা শাৎপদি
করি নপাও তল্লিবা?
- লৈরাং নঙগী নগুনদি কুইর কুইর হেনগৎলি
লৈনম্না লৈকায় পল্লালি; থোৎল লৈরাং নহাক্লা
কল্লবা শক্তি ওইখিবা, মীওইবা জাতিগী সেবাদা
নপুন্সি কৎতুনা লৈরিবী, লোম্বা নাইদনা শাৎলুকো
যুগ কয়া পুন্সিয়ু।
- শেরা মাস্ত্রা চীংজাওদৈ কেরিবিয়ান সমুদ্র ঈপাকফাও,
মান্নবা খুন্নাইগী পাউজেল্লকপী, শু নোংল্লিবা মীয়ামগী
পাঙ্গল থৌনা হাপখিবী, লোল ধর্ম্ম জাতি তোঙানবা,
খেন্নবা লৈতনা নুংশিনবা; লৈরাং লক্তে অথোইবী
ধ্রুব তরানি নহাক্তি।
- বটরফ্লাই জসমিন মিঙ্গৌবী, নহাক্কী হৌখ্র থৌদোকশিং,
কাউঙমদ্র প্রজানা থম্লিংই অৱাংবা থাক্তা,
"জাতিগী লৈরাং" মিংথোনখি;
হে লৈরাং চরোং নীংথিবী! ক্যুবাগী তখেল্লে ফজবী;
লেপ্পা নাইদনা শাৎলুকো, নুংশি লৈনম য়েল্লুকো। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### শিজ হোস্পিটালদা ফ্রী হেপাটাইটিস বি অমসুং সী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড হেপাটাইটিস দে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি শিজ হোস্পিটাল্স এন্দ রিসার্ছ ইন্টিট্যুট (এস ঐচ আর আই)অমসুং কোর দাইগ্নোষ্টিক্স পুন্না খুৎশম্নদুনা ফ্রী হেপাটাইটিস বি অমসুং সী স্ক্রিনিং কেম্প অমা শিজ হোস্পিটালগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

এস ঐচ আর আইগী বিজিনেস দিভেলপমেন্ট মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিগী কেম্প অদু মীয়ামদা ভাইরেল হেপাটাইটিসকী মরমদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অদুদা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিং য়াওনা পুন্না মীওই ১০০দা কান্নবা ফংহনখি। ইন্টিট্যুট অসিনা মীয়ামগীদমক হেপাটাইটিস সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামশিং অমসুং ফ্রী কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ৱর্ল্ড হেপাটাইটিস দে অসি চহী খুদিংগী জুলাই ২৮দা ভাইরেল হেপাটাইটিসকী মরমদা এৱ্যের্নেস হেনগৎহন্নবগীদক পাঙথোকই। হেপাটাইটিস হায়বসি ভাইরেল ইফেক্সন অমনা থোকহনবা ওইগনবা লিভরগী ইনফ্লেমেসন অমনি। লায়না অসিনা লিভর কেন্সর য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবা কয়া অমা থোকহল্লি। দাইগ্নোজ তৌদ্রবদি লায়না অসি মী শিনিংঙাই ওই। থিন্থদনা টেষ্ট তৌথোকপিয়ু। পুন্না হোৎনমিন্নরবদি হেপাটাইটিস লৈতবা তুংলমচৎ অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়নসু মখা তারি।

### পোল্লিং ষ্টেসন রেসনেলাইজেসনগী মতাংদা মিটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): চুরাচান্দপুর অমসুং ফের্জোলদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং রেসনেলাইজেসন তৌবগী মতাংদা মিটিং অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার পৱন য়াদবনা চ্যের লৌদুনা চুরাচান্দপুরগী মিনি-সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসিগী মিটিং অদুদা চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চাজ'সু ওইরিবা টি এ এন্দ হিল্স, জি এ দি এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ভুংজাগিন ভালটে, এম এল এ হংখালিয়ান ভালটে, ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী মন্নুৱামচিং, এ দি সীশিং/ঈ আর ওশিং, এস দি ওশিং/এ ঈ আর ওশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী রিপ্রজেন্টটিভশিং অমসুং ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনচিংবনা শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুরগী মিনি সেক্রেটেরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা মিটিং অদুদা শরুক য়াখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংদা রেসনেলাইজ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মশিংগী মতাংদা খঙহনখি অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়াগী মমিং চুমথোকপগী মতাংদসু মিটিং অদুদা ৱারেপ লৌখি। ভোট্টর মশিংনা অপ্পর লিমিট ১,৪০০ অমসুং ১,২০০দগী হেন্না লৈবা মফমশিংদা অহেনবা পোল্লিং বুথশিং শেম্নবসু ঙসিগী মিটিং অদুনা লেপ্পখি হায়রি।

### সিংতোমনা কোভিদ ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপথোকপা অহানবা খুল ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টক পূম্বগী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপথোকপা খুল চকপীকারোং সব-দিভিজন মনুংদা লৈবা সিংতোম খুলনা ওইরে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ময়াংলম্বম রাজ কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায় পুন্না মীওই ৩৯৩ লৈবা সিংতোম খুল অসিদা য়ুমথোঙ ৭৭ লৈ। খুল অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক ইলিজিবল ওইরবা মীওই ১৭৪ লৈ। ইলিজিবল ওইরবা মীওই ১৭৪ অসিগী মনুংদা মীওই ১৭৩না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্লে। ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীরোনবী নুপী ৭, খোমজিংবী মমা ৯ য়াওরি। মীওই অমদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা য়াবগী ইলিজিবল ওইদবদগী ভেক্সিন কাপকদবা মহাকখক্তং ঙায়হৌরে।

ফিভম অসি ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলকখিবগীদমক সব-দিভিজনেল ওফিসর-চকপিকারোং, সিংতোম খুলগী চীফ, জৌ সিভিল ওর্গনাইজেসন-জোন্ট টাইক ফোর্স জৌ য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমদি জৌ সংনৌপাং পাউলপি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিবুসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### মিজো-অসাম বোর্দরগী চয়েৎনবগী মতাংদা ওনলাইন মিটিং পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): হৌজিক হৌজিক মিজোরাম অমসুং অসামগী বোর্দরদা উংখৎনদুনা অসাম পুলিসকী পার্সনেল ৬কী থৱায় মাঙহনখ্রবা কনফ্লিক্ট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ননবগীদমক নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনস পিপল ফোরম (এন ঈ আই দি পি)না ওনলাইন মিটিং অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এন ঈ আই দি পিগী চীফ কনভেনর অনুপ চেটিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা বোর্দরগী চয়েৎনবা অসিদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা অসিদা এন ঈ আই পি এফনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসাম অমসুং মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরশিংনসু বোর্দর এরিয়াশিংদা ঈং-তপ্পগী ফিভম হঞ্জিল্লক্লবগীদমক মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎপিনবা আপীল তৌজরি।

ষ্টেট বোর্দরশিংগী এরিয়া কয়া মরুওইনা চয়েৎনবা থোক্লিবা মফমশিং অসি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা খুন্দাই, মসিনা নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিংদা মিপাইনিংঙাই ওইবা ফিভম ওইহল্লি।

বোর্দর এরিয়াশিংগী য়েলহৌমীশিং য়াওনা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা অসিগুম্বা মতম অসিদা ঈংনা চীক্লা লৈমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়না এন ঈ আই পি এফনা পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।